# রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিং ফজনা পায়খৎপা জি পিদা লুপা লাক্ষ ৫পীগনিঃ চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল,জুন ২৭(এস এন এস)ঃ রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিংগী প্রোজেক্ট খ্বাইদগী ফজনা পায়খৎপা পঞ্চায়টতা লৈঙাক্না লুপা লাক্ষ ৫গী শেলগী মনা পীরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে। জিল্লা পরিষদশিং, প্রধানশিংনা ৱার্ক প্রোগ্রাম শেম্বা মতমদা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিংদা অহানবা মীৎয়েং থম্নবা চীফ মিনিষ্টরনা পাউতাক পীখ্রে। পোলিতিসিয়ানশিং, লৈঙাক্কী ওফিসিয়েলশিং অমসুং মীপুম খুদিংমক্না থম্মোয় শেঙনা থবক তৌরবদি মণিপুর পুন্নং লংবদা কুইনা চং লোই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটতা পাঙথোকখিবা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিং অমসুং গ্রাউন্দ ৱাটর কঞ্জার্ভেসনগী মতাংদা জিল্লা পরিষদ মেম্বরশিং অমসুং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধানশিংগা চীফ মিনিষ্টরগা উন্নবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, হন্দক্তা নিউ দিল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা নিতি আয়োগকী মীফমদা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা খন্নখিবনি।

লমদম অসিদা হৌজিক নোং লিক্না তাবনা মরম ওইরগা তুরেলনচিংবা অয়াম্বা কংলে, তুরেলশিং অসিদগী ঈশিং চিংলগা লৌ পানগদবা কয়া ফেল ওইবগী ফিভমদা লাক্লে। মসি মপুং ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং গ্লোবেল ৱার্মিংননি।

মসি থেংননবা হোৎনবা অসি ওফিসিয়েলশিং অমসুং মিনিষ্টর এম এল এশিং খক্তনা য়ারক্ত্রে। মসিদা লোকেল বোদিশিংগী মীহুৎশিং য়াওশিনদবা য়াদ্রে। মরম অসিনা অসিগুম্বা থবক পায়খৎপা মতমদা জিল্লা পরিষদশিং অমসুং প্রধানশিং অসি শরুক য়াহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টর অকনবা মীৎয়েং থম্লি। মদুগীদমক চীফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিভশিং য়াওনা মীফম পাঙথোক্লগা খন্নবা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না মীফম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

মহাক্না হায়, হৌজিক্কী ওইনা তোঙানবা ফন্দিং পীরক্কদবা নত্তে। হান্না লৈরিবা এম জি এন আর ই জি এ অমসুং আই দব্লিউ এম পি অসিগী মখাদা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিংদা অহানবা মীৎয়েং থম্লগা ৱার্ক প্রোগ্রামনচিংবা শেম্বা মতমদা রেন ৱাটর হার্ভেষ্ট তৌনবা করি তৌহৌগদগে হায়বা খন্নবনি।

লৈঙাক্কী ওইনদি চীংগী এরিয়া খরদা তামে, চান্দেল, সেনাপতি, উখ্রুল, চুরাচান্দপুরনচিংবা মফমশিংদা লুপা ক্রোর ২-২ মাইনর ইরিগেসনগী খুখাংদা থাদদুনা শাবা হৌরকখিবা অদু লোইশিল্লকপা য়াওরক্লে। মসি লোকচপতা খাগৎলগা লোক্তগী লাকপা ঈশিং অসি ষ্টোক তৌদুনা থম্লগা মফম অদুদগী নোং চুরক্তবা মতমদা লৌউ শিংউবা অমসুং থক্নবগী ওইরবসু শিজিন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

লৈঙাক্কী ওইনসু থক্নবা ঈশিং গীদমক নৌনা য়ুম শাগৎপা মতমদা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিং অসি তৌহৌনবা য়াওহনবনি। য়ুমদগী তারকপা ঈশিং অসি মাঙহন্দনা নিংথিনা য়োক্তুনা থম্লগা ত্রিটমেন্ট তৌরগা থক্নবা অফবা ঈশিং ওহ্যোক্নবা থৌরাং য়াওরে।

মসিগী থৌরাং অসি প্রাইম মিনিষ্টর মশানা মোনিটর তৌরগা পায়খৎপা ওইবনা থবক অদু হেক লোইবগা ফন্দগী অৱাংপা লৈগনি থাজদে।

লমদম অসিদী সিষ্টেমদা অশোয়বা অসি মদু মতম চংহন্দনা লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মতম চংহনবা অসি কোকহনবা চংই। থবক অসি তৌরবদি করিসু নত্তে, থা ৮-৯দা বেহিয়াং পুলিস ষ্টেসন শাবা লোইখি, চীংগী ইমা কৈথেল থা ৬তা শাবা লোইখিবনি।

তৌগে হায়না তৌরবদি মণিপুর চহী ৫-১০দা পুমলং লংহনবা য়াগনি। লৈরিবা পোলিতিসিয়ান, লৈঙাক্কী ওফিসিয়েলশিং, লোকেল বোদিশিংগী ইলেক্টেদ মেম্বরশিং থম্মোয় শেংবা ৱাংলি। থম্মোয় শেংনা থবক তৌরবদি মতম চানা থবক লোইশিনবা ঙমগনি।

মণিপুরগী পীকপ্রবা তম্পাক্কী লম অসিদা য়ুম শাজিনবা, বিল্ডিং শাজিনবা, ইন্দষ্ট্রিজ লিংখৎপা, স্কুল শাজিনবা কয়া তৌরিবনি। ঙসিদগী চহী ১০গী মতুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বদু খল্লুবা মতম ওইরে। লোয়ননা লম লৈবা য়োনবদা কম্মিতি অমনা য়েংশিন্নবা লৈঙাক্কী কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রে।

জিল্লা পরিষদ মেম্বরশিং, প্রধানশিংনা ঐ ঐগী এরিয়াদা লম য়োনবা লৈবা, করিগুম্বা অমা শাগৎলকপদা মীৎয়েং চংবা মতম ওইরে। মদু নৎত্রবদি খুন্নাই অমা লুপখিবা কুসহৌরোই হায়খি। থম্মোয় শেঙনা থবক তৌনরবদি তুংগী মীরোল কনবদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়খি। মরম অসিনা লৌবুক্তা শাগৎপগী থবক অসি তোকহনবীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু, এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী লেটখোগিন হাউকিপ, বিষ্ণুপুর জিল্লা পরিষদকী অধক্ষ্য এল রোমাবাই য়াওনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৬ কী জিল্লা পরিষদ অমসুং প্রধানশিংনা শরুক য়াখি।

## কুমগী নোং চুরক্তবদগী ফুবালাদা কংনা লৌ-লিংখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৭(এস এন এস)ঃ ইঙা থাগী থয়াই হেল্লক্নবা ফাওবদা মণিপুরদা কুমগী নোং মতিকচানা চুরক্তবদগী মহে-মরোং মতমচানা লিংবা ঙমদবনা মরম ওইরগা লৌমীশিংগী অৱাবা খম থেংলে।

মণিপুরগুম্বা ইথে-লৌখোংগী খুদোংচাবা ৱাৎপা লমদম অসিদদি মহৌশাগী ওইবা খুদোল 'কুমগী নোংনা' লৌমীগী মরাইবক লেপ্তুনা ঙসিফাওবা লাক্লি।

মোইরাং কেন্দ্রগী মনুংচনবা ফুবালা ৱার্দ নম্বর ৩গী লৌমী খরনা কুমগী নোং মতমচানা চুরকত্রবনিনা চহী অমগী চাথোক মতিকচানা পুথোকপা ঙম্লরোই হায়বগী মীপাইবা ফাওবদগী ঙসি ফুবালাগী লৌফম খরদা চাংয়েং ওইনা কংনা লৌ লিংখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমী অমনা ফোঙদোরকপদা, জুন থা লোইরক্নবা ফাওবদা কুমগী নোং তাদ্রে। নোং চুগে চুগে তৌরগা চুদ্রে। খঙহৌদনা মফম মফম খরদা চুরিবা নোংজুগী চাং অসিদি লৌ-লিংবা নত্রগা মরু-মরাং হুনবা য়াবগী চাং য়ৌবা নত্তে। নোংজুগী চাং য়াম্না নেম্বনা মরম ওইরগা লৌবুক্তা পোৎ অমত্ত থাবা য়াদ্রে।

হৌজিক অসি লৌউ-লিংবা মতম ওইরবনি অদুবু লৌউ-লিংবদি লাইরদনা লৌবুকতি লৈক্রক চৎলে। লৌমী খুদিংমক্না চহী অমগী চাথোক মরাং কাইনা পুথোকপা পাম্মী। মণিপুরগী লৌমীশিংগী লাইবকতি কুমগী নোংনা লেপ্পী। নোং মতমচানা চুরকত্রবসু লৈঙাক্না ইথে-লৌখোঙশিং অমদি কেনেল মতিকচানা শেমবিরবদি লৌমীশিংদা মতমচানা ঈশিং ফংহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

নোং মতমচানা চুরক্তবদগী নিয়ম কায়দনা লৌউ-লিংবা ঙমদ্রে। কুমসি চহী অসি চাবা ৱাৎকদ্রা হায়বগী মীপায়বা ফাওই। অসিগুম্বা অৱাবা অসি লৈহনদনবা হায়বগী ৱাখল্লোন ফাওরকপা অদুগা লোয়ননা চাংয়েং অমা ওইনা কংনা লৌউ-লিংবগী মওং অসি মায় পাক্কদ্রা য়েংবনি। মসিবু মায় পাকহনবা হায়বসি ঈশ্বরগী মখূত্তা লৈরে। ফৌ মরু হুনখ্রবা মতুং নোংম-নীনি অসিদা নোং মরাং কায়না চুরক্লবদি থৌওং অসি মাইপাক্লবসু য়াই হায়না থাজে। মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মোইরাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা মফমশিংদা মতমচানা লৌউ-শিংউবগী ঈশিং ফঙহনবগীদমক্তা হায় কেনেল অমসুং লো কেনেল অসি মওং তানা মতমগা চুনবা মওংদা শেমজিনবীয়ু।

মোইরাং কেন্দ্রগী এম এল এ পি সরতচন্দ্রনা হায়রিবা কেনেল অসি থা অমগী মমাঙদা মেছিন শিজিন্নরগা ফুবালাদগী সুনুশিফাই ফাওবা শেংদোকপীখিবসু লৈ। লো কেনেলদা নোংম-নিনিখক ঈশিং থাখিবসু লৈ। অদুগা মতমচানা ঈশিং থাখদ্রে। জুন থা ফাওবা কুমগী নোং চুরকত্রবনিনা লৌমীশিংনা অৱাবা মায়োক্নরে। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মী থাদোক্লগা মফম মফম খুদিংদা থেংনরিবা লৌমীশিংগী অৱাবা অসি য়েংশিনবীয়ু। লৌমীনা মায়োক্নরিবা অৱাবা অসি য়েংবিরগা ইকং থোক্লে হায়না লাউথোকপীবা য়াব্রা হায়বসু য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

## পোৎশেম জাদু তৌরমই হায়বা মীওই ৪ লৈকাইনা ৱারকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ চহিসিগী হৌখিবা এপ্রিল থা ২৩দা ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা বামোন কম্পু ময়াই লৈকাইদা মীহাৎ থিনা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা খুনজ ময়ুম অরুনগী জে এ সিগী মরুওইবা মীওই অমগী মমিং জন্ত্র শেন্দা হাপ্পা ব্রজপুত্র মনাদা ইদুনা পোৎশেম তৌরম্মী হায়বা মীওই ৪ লৈকাই মীয়াম্না ফারগা ৱারক-ৱাতেম তৌরবা মতুং পুলিসতা শিন্নখ্রে।

থৌদোক অসিগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ময়াই লৈকাইদা ঙসি অয়ুক থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউদা, বামোন কম্পু ৱুমেন ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী শঙলেনদা মীয়াম্না ৱারক-ৱাতেম তৌখ্রবা মীওই মরি অদুদি ইরেংবম বোরমনি (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা চাওবা, কোংখাম দেবজানি (৪৫) মপুরোইবা রতন, নাওসেকপম প্রেমা (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা নিমাই অমদি কোংখাম ওংবী সানাতোম্বী (৪৫) মপুরোইবা সুরনজয়নি। মখোয় মরিমক বামোন কম্পু ময়াই লৈকাইদগীনি হায়রি।

নাওসেকপম প্রেমা অসি লৈখিদ্রবা অরুনগী মীশিংগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাখ্রবা প্রধান রবিগী মচেনি হায়রি।

ঙসিগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা অরুন মীশিংগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সিগী এদভাইজর কে মোহেনে দ্রানা ফোঙদোরকপদা, ঙসি লৈকাইনা ফারিবা মীওইশিং অসিনা পোৎশেম তৌদুনা মীওই খরদা অয়েৎ-অপন পীবগী থবকশিং চথরে।

মখোয় মরি ফাদুনা ৱাহং পাউহং তৌবদা অরুন মীশিগী মতাংদা শেম-খবা জে এ সিগী মরু ওইবা মীওশিংগী মমিংনচিংবা ব্রজপুত্র মনাদা ইবগা লোয়নন ব্লেক আর্টকী থবকশিং চথ-রম্ননি। ফারবা মীওইশিং অসি ৱারক-ৱাতেম তৌরবা মতুং পুলিসতা শিন্নখ্রগনি হায়নসু মখা তানা মহাক্না ফোঙদোকখি।

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন ঙসি...

*লমায় ১গী মখা*

এম এল এশিংগী মনুংদা তমেংলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ সামুয়েল জেন্দাই অমসুং মোইরাং কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ পি সরত য়াওরি। মখোয় হয়েং অয়ুক অঙনবগী ফ্লাইটদা দিল্লিগীদমক গুৱাহাতি থাদোক-খ্রগনি হায়না পাউঅসিনা হায়রি। মসিগী মথক্তা বি জে পিগী সেনিয়ার ওইরবা লুচিংবা অনীসু ভুপেন্দ্র য়াদবগা উন্নবা পাউ পীরকপদগী হৌজিক হৌজিক দিল্লিদা লৈরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি। চীফ মিনিষ্টর শিন্দোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরিবশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক লৈরিবা ৱাথোক অসি য়াম্না থুবা মতমদা লোইশিন্নবা অমসুং অসিগুম্বা অসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎহন্নিংবগী ৱাফম হৌজিক দিল্লিদা লৈরিবা লুচিংবা অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি। মখোয়গী ওইনদি লৈরিবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবা হেন্না পাম্মী হায়খি।

## সনামহি কিয়োংগী নীংশিং যূম্বী শিন্দোকপীয়ু...

মথং মথং...

মরম অদুনা লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োংগী মফমদা মখা তানা শঙ-হোংবদা লাকখিদবা মীওই অনীগী মমিং হাক্তুনা থম্মীদনবা মরী লৈনবা খুদিংমত্তা পাউজেল পীজরি।

নাকল অমরোমদা লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োং অসি শেমগৎপগী ৱাখল্লোন অমা ফাওরিবা ইথিল অদুনা লিচিং ওইদুনা চহী ১৩ হেনবসিদা অৱা অনা-থিদনা মায় পাক্নবা হোৎনবিখিবা শিনবী লাংবিরিবা খুদিংমকপু কে সি পি- এম না ইকায়খুম্নবা উৎচরি। অদুন্নদি ওইরগসু শেমগৎলিবা ফিভমশিং, শংলিবা মচু, শাগৎলিবা মথোনগী মওং কয়া অসিদা সনামহি লাইনিংগী নুংলোনশিং অদুদি কয়ামুক য়াম্না চুশিন্নরিবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মফম অসি ফাজহন্নিংবদগী হেন্না ফাজনবা হোৎনবদা কলচরেল টুরিজম স্পোট অমদনা হেন্না মীৎয়েং থমখিবগী মমি তাই। কিয়োংগী মতাংদসু মীয়ামদা চমন্নবা ফাওরি অদুবু শিনবী লাংবিরিবা ময়াম্না কিয়োং হায়বসি লাইশঙনি হায়না ৱাহন্থোক পীবিরি অদুগা খরা অমনা মসি ইরোল নত্তে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্নবা লৈরি। মথং মথং...

## এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ...

*লমায় ১গী মখা*

য়ুন্নফম য়াওদবা অমদি মতিক চাবা প্রমান লৈতনা শেমজিন-শাজিনবনি।

নাকল অমরোমদা,এন আই এগী স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা কোর্টতা হায়খি,ৱাহং-পাউহং চখবদা এম এল এ অসিনা আর্ম কোটতগী মাঙখিবা নাইন এম এম পিষ্টোনগী কন্সাইমেন্ট কয়া ফঙখি হায়বসি মশানা য়াজখি। লোয়ননা খূৎলাইশিং অদু কে আর এ অমদি কে এন ওগী সেল্ফ ষ্টাইল চিয়ারমেন ওইবা অদুগা সাইতুগী এম এল এ ঙমথং হাওকিপকী ময়ানুপা দেভিদ হাংশিংদা ঙমথং হাওকিপকী ময়ুম মক্তদা শীন্নখি। দেভিদ হাংশিং অসি মতম খরা ফাবা ফঙদ্রগা আগষ্ট ২৪দা ফারবা মতুংদা নাইন এম এম পিষ্টোল ৬ ফাগৎপগা লোয়ননা য়ামথং হাওকিপকী ইলেক্সনদা মতেং পাঙবীনবা লুপা লাক্ষ কয়া ফঙখি হায়বসু ফোঙদোকখি। লোয়ননা য়ামথোংবু থাদোকখ্রবদি মসল অমদি মনি পৱার শীজিন্নদুনা কেসকী মচাকশিং শেমদোক-শেমজিন তৌ-খবা য়াই অমদি শাক্ষিশিংবুসু ৱাখল হোংহনখিবা য়াই হায়বা ৱাফম থমখি। কোর্টনা নাকল অনীগী ৱা তারবা অমদি কেসকী রেকোর্ড য়েংলবা লোয়ননা য়ামথোং হাওকিপকী হকচাংগী ফিভম য়েংলগা বেল পীবগী ওর্ডর অসি পীখি।

## অচৰিয়া...

*লমায় ১গী মখা*

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। গভর্ণর ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, এদুকেসন মিনিষ্টর টিএচ রাধেশ্যাম, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টিএচ শ্যামকুমার, সি এ পি এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম, এম এল এ ও লুখোই, এস রাজেন, কে এস বিরেন, টি এচ সত্যব্রাটা অমসুং লৈঙাক্কী সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসার কয়াসু শরুক য়াখি।

## লম লৈবা-য়োনবা কম্মিটি অমবু য়েংশিনহন্নবা...

*লমায় ১গী মখা*

কম্মিতিগী রিকমেন্দেসন অদু থবক ওইনা ওহ্যোকপদা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। মসিদা নত্তনা কনাগুম্বা মীওই অমনা লৈঙাক্কী মখাদা চহী ৫ থবক তৌরমদ্রবদি মহাক্না লৈখিদবা মতমদা ইমুং মনুংনা দাই ইন হার্নেসতা থবক চংবা য়াদবদু করিগুম্বা এপ্লিকান্ট অদুনা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ওইবা তারবদি চহী ৫ শুদ্রবসু চহী ৪বু শুরবদি দাই-ইন-হার্নেসতা থবক চংবা য়াবগী অয়াবা কেবিনেটনা পীরে হায়খি। লোয়ননা ঙসিগী মীফম অদুদা মিনিষ্টরশিং য়াওদবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মিনিষ্টর খরা দিল্লিদা লৈখিবা অমসুং খরনা মশাগী থবক্কীদমক দিল্লিদা লৈ-খবনি। মখোয়শিং অদু ছুটি নিরম্লগা চংনখিবনি। থোইদোকপা ৱাফম লৈতে। ঙসিগী মীফম অদুদা কেবিনেট মিনিষ্টর ৬না শরুক য়াখি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হান্না মণিপুর লৈঙাক্না শেল কায়থোকপদা অথিংবা থম্লম্বা অদু হৌজিক হিরম খরদা কোমথোক্লে। লৈরিবা শেল থুমগী ফিভম অসি য়েংলগা অথিংবা অসি পুরানা কোমথোকপদি য়াখিরোই। তঙ্কক নাইনা শেল কায়থোকপদা অয়াবা পীগনি।

হৌজিক ইমপ্লোয়িশিংগী সেলরি অমসুং পেন্সন লোয়ননা লৈঙাক্না পুরুবা লোনগী শেনফমখক্তা কায়থোকপা য়াবতা নত্তনা অতৈ অতৈসু তপ্না তপ্না কায়থোকপা য়ারক্লগনি। তৌবতবু শেল থুমগী ফিভম অসি তং তাবা অমা লৈতবনা লোয়না কায়থোকপদা অথিংবা খরদি থমখিগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। অমরোমদা লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোইসু ওইরিবা এদুকেসন মিনিষ্টর টি এচ রাধেশ্যামনা কেবিনেট মীফমগী মতাংদা হায়, লম লৈবা য়োনবগী মতাংদা হায় পৱার কম্মিতি অমনা শেম্লগা য়েংশিনবা, ৭ শুবা পে পীবগী ৱাফম হান্না য়ান্নখিবগী মতুংইন্না চত্থবা, দাই ইন হার্নেসতা থবক চংবা মতমদা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জগী ওইনা চহী অমা কোমথোকপা অসিদা অয়াবা পীখিবগী মথক্তা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্টকী পাকথোক চাউথোকপগী থবক পায়খৎপদা কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। লোয়ননা ইম্ফাল হোটেল অসি ক্লাসিকগ্রুপতা শিন্নখিবগী ইন্নখিবা মতম লোইশিল্লকপগা লোয়ননা মখা তানা গ্রুপ অসিদা শিন্নবা মতম শাংদোকপদা কেবিনেটনা অয়াবা পীরে হায়খি।

## মণিপুরদা রেড...

*লমায় ১গী মখা*

পাম্না অমদি তাংনা লৈনৈ। হৈনৌ মখল অসি মালেমগী কৈথেলদা গ্রাম ৭০০ লুম্বা হৈনৌ অমদা য়ু এস হোল্লর ৭০ ফাওবা পীদুনা য়োল্লি। ইন্দিয়াগী ওইনসু সাউথ ইন্দিয়াগী মফম খরদা ফার্ম তৌদুনা হৈনৌ মখল অসি থানবগী পাউ লৈ।

হৈনৌ মখল অসি মণিপুরদা মায়পাক্না থাদুনা পালহনবা ঙম্বসিনা লমদম অসিগী ঊহৈ-ৱাহৈ থাদুনা শেম্থোক লম্বী তান্নিংবা মীওইশিংদা অনৌবা অশা অমা পীরে।

# মীয়াম্না হ্যুমেন রাইট কম্মিসনগী মথৌ করিনো হায়বা খঙবা ৱাৎলিঃ খাইদেম মনি

ইম্ফাল,জুন ২৭(এস এন এস)ঃ লমদমসিগী মীয়াম্না মণিপুর হ্যুমেন্দ রাইট কম্মিসনগী মথৌ নীংথিনা খঙদবনা কম্মিসন অসিগী মতেং লৌবগী চাং ৱাৎলি হায়না মণিপুর হ্যুমেন্দ রাইট কম্মিসনগী এক্টিং চিয়রপর্সন খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা কম্মিসন অসিগী কোর্ট রুমদা পাঙথোকখিবা মণিপুর হ্যুমেন্দ রাইট কম্মিসনগী ২১শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৯৪ দগী চল্লাইবা অসি হৌজিক টার্ম অহুম শুরে। কম্মিসন অসিগী মথৌ অসি ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়োক্তা অয়াম্বা ওইবনা মতম-মতমগী লৈঙাক্না থৌ শাদনা থমদুনা লাক্লি। ঙসিফাওবা কম্মিসন অসিগী লৈফম থোকপা খুদিংমক মওং-মরিল অমা তাদনা লৈরি। হৌখিবা চৈচৎ ২০১৮ গী এগষ্ট ২৫তা কম্মিসন অসিগী মেম্বর ওইনা চঙলক্লবা মতুংদা চিয়রপর্সন লৈতবদগী মহাকপু এক্টিং চিয়রপর্সন ওইনা লৈনবা খঙহল্লকপদগী ঙসিফাওবা তোঙান তোঙানবা কেস ১১৪ রোম পায়খৎতুনা কেস ৪৬ রোমদি দিস্পোস তৌখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, হ্যুমেন রাইট কম্মিসন অসি লায়রবা মীয়ামগী কোর্টনি। লমদমসিগী মীয়ামদা সোসিয়েল্লি, ইকোনোমিকেল্লি অমদি পোলিটিকেল্লিনা পীরকপা নৎত্রগা খুদোং চাদবা থোকহল্লকপা খুদিংমক কম্মিসন অসিদা ৱাকৎপা য়াই। কম্মিসন অসিনসু মীওইবা অমগী রাইটপু শিংনরকপা অসিগীদমক থেংনগদৌরিবনি। লমদমসিগী মীয়াম্না লম্বী শেম্বীদবগী ইরাং হৌবা লম্বী তৌথোকপনচিংবা তৌবা অমদি লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা থৌমীশিংনসু থাগী ফঙফম থোকপা তলব ফংদবগী ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবগী মহুৎতা কম্মিসন অসিদা ৱাকৎ লাক্লবদি লৈঙাক্কী থবক্তা চে থাদুনা থবক তৌবা য়ারিবনি। অদুবু ঙসিগী মীরোল অয়াম্বনা কম্মিসন অসিগী মথৌ খঙদ্রবসি খঙহন্নবগীদমক এৱারনেস প্রোগ্রামনচিংবা পাঙথোক্লগনি। ইন্স-টিট্যুসন অমগুম্না লৈগদবা কম্মিসন অসিগী মতিক মগুণ অসি লৈঙাক্না খঙবীবা মথৌ তাই। মরম চাবা মফমদদি কম্মিসন অসিনা মীচঙ মীখাই নাইদনা থবক তৌদুনা লাক্লি। লোয়ননা কম্মিসননা খঙদবা উদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অমা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়ানা পুথোকপীরক্তুনা কম্মিসন অসিগী মথৌ তৌবা মতেং ওইহরিবনি। মহাক্না এক্টিং চিয়রপর্সন ওইনা লাকপদগী কেস লৌখৎকন্দবা কয়া লৌখৎহনবা অমদি কেস লৌখৎলগা থৌ শাদবা কয়া কম্মিসন অসিনা লৌখৎহনবা কয়া তৌখ্রে। মণিপুর হ্যুমেন রাইট কম্মিসন গী থৌ নীংথিনা পাঙথোক্নবগী লমদমসিগী মীয়ামগী কো- ওপরেসন চঙই। কম্মিসন অসিনা লৈরিবসি মীয়ামগীদমক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

২১শুবা মণিপুর হ্যুমেন রাইট কম্মিসন অদুগা মরী লৈননা কম্মিসন অসিগী স্পিসিয়েল ন্যুলেটর অমসু এক্টিং চিয়রপর্সন খাইদেম মনিনা ফোঙখি। ন্যুলেটর অদুদা মহাক্না এক্টিং চিয়রপর্সন ওইরকপদগী কম্মিসন অসিনা লৌ-খৎলক্লুপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা য়াওরি। লোয়ননা থৌরমদুদা মণিপুর ষ্টেট ৱুমেন কম্মিসনগী চিয়রপর্সন মৈস্নাম বিনোতা অমদি মণিপুর হ্যুমেন্দ রাইট কম্মিসনগী চীফ এক্সিক্যুটিভ ওফিসার গোবাধোনসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## হেলেন কেল্লরগী ১৩৯লক শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৭(এস এন এস)ঃ দিসএবল পর্সনশিংবু অচৌবা ইনোৎ কয়া পীরম্বা হেলেন কেল্লরগী ১৩৯ লাক শুবা বার্থ এনিভর্সেরি সোসাইটি ফোর দিসএবল পর্সন মণিপুর, কুম্বী বিষ্ণুপুর অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফিয়র ওফিস বিষ্ণুপুর অনী পুন্না খুৎশম্নদুনা 'নুংশিনসি ঐখোয়, হিংমিন্নসি, মীওইবনা মীওইবগীদমক খেন্নবা লৈত্রবা মালেম অমা, ঐখোয় পুম্না অমত্তনি হায়বা থিমদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সনাশম বিরা সিংহ এম এল এ কুম্বী এ সি, এ তম্ফাসানা চনু এক্সেন্সন ওফিসার বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্ট, এম জি তেন সিংহ সোসিয়েল ৱার্কর, কে ঐচ নন্দকুমার জেনরেল সেক্রেটরী রুরেল সোসিয়েল ৱেলফিয়র সোসাইটি ইথিং অৱাং লৈকাই বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, কে ঐচ শ্যামকেশ্বর সিংহ প্রসিদেন্ট এস দি পি মণিপুরনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরম হৌদোকপদা মৈরা চুখৎপগা লোয়ননা হেলেন কেল্লরগী ফোটোদা লৈশু কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরমগা মরী লৈননা এম এল এ এস বিরা সিংহনা মতম অমদা মী অমগা মী অমগগী মরক্তা য়াম্না খেননবা থম্লম্বা অদু ঙসিদি গান্নতন্ত্রা চৎপা লৈবাক অমা ওইরকপনা থম্লকতারে। মী অমগা মী অমগা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা থম্লবদি চাওখৎপা অমা শোয়দনা ওইগনি। ঙসিদি গভর্ণমেন্টনসু দিসএবল ওইরবশিং অসিগী মীয়ামগা মীমান্ননবা হায়দুনা খোঙথাং কয়া পায়খৎতুনা মখোয় মখোয়দা কান্নবা ফঙহনদুনা লাক্লি। মীয়ামান্নদ্রবশিং অসিনা হেন্নদুম নামা শোয়দ্রবা কাংবুদগী থবক থৌরম তৌবা ঙম্লি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থা অমদা লুপা লিশিং ১৫০০ ফাওবা পীদুনা মখোয়গী হিংনবগী লম্বীদা মতেং খরা ফঙলি। মখোয়সু (দিসএবল)শিং অসিবু ঐখোয় মীপুম খুদিংমক্না লূনা চান্নবা অমদি মখোয়দা অঙম্বা মতেং পাংদুনা মখোয়গী পূন্সিদা হেন্না মতিং লৈবা অমমম ওইহনবা হোৎগদবনি। ঐখোয় অমগা অমগা মতেং পাঙনবা তঙাই ফাদে। ঐ মীমান্নদ্রে হায়দুনা য়ূমদা তুমিন্না লৈবগী মতম নৎত্রে। এম এল এ গী মাইকৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাঙদুনা মখোয়বু হেন্না মশক থোকপা পূন্সি মহিং অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়দুনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী মপুং ওইবা থৌরম ওইনা দিসএবল পর্সনশিংদা ঙমজবা মতেং পীবগা লোয়ননা দিসএবল পর্সনশিংনা মাগী মাগী হৈজবা কয়া উৎখিবগা লোয়ননা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমসু তৌখি।

নাকল অমরোমদা, দি ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন ফোর দি ব্লাইন্দ তাকয়েলনা শীন্দুনা ঙসি সাই রোদতা লৈবা হোম ফোরদা ব্লাইন্দ দা হেলেন এদমাম কেল্লরগী ১৩৯শুবা বার্থ এনিভর্সেরিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা গভর্ণমেন্ট আইদিয়েল ব্লাইন্দ স্কুলগী প্রিন্সিপাল ৱাই প্রেমলতানা অথোইবা মীথুংলেন য়াসকী সেনিয়র কোচ এথেলেটিক্স এস সোমচন্দ্রনা ইকায়খুম্নবা মীথুংলেন অমদি ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন ফোর দি ব্লাইন্দগী প্রসিদেন্ট ৱাই ব্রাজ মোহননা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ৱাই প্রেমলতানা হায়, হেলেন অদাম কেল্লর অসি মমীৎ উবগী মনা তাবগী অমদি ৱা ঙাঙবা থোক্তবী মহাক্না মালেম শীনবা থুংনা ফাও-খবা মহাক্কী ৱারী কয়া শিংথাবগী লোইবা নাইরোই। মঙোন্দা লৈখিবা চোকথবা নাইদ্রবা থৌনা অদুবু ঐখোয়না তমজফম ওইগদবনি। ক্লাইন ওইরবশিংনা ক্লাইন ওইরে হায়না নীংহন্নবগী মহুৎতা থৌনা লৈনা মরুওইবা মীশক অমনি খঞ্জদুনা খুন্নাই অসিগীদমক করিগুম্বা খরা তৌরমগে হায়না খনগদবনি। মমীৎ উদ্রবা মনা তাদবশিংনা অতোপ্পগী মতেং লৌরমদু হৌজিক্কী চওখৎলকপগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা অনৌবা দিভাইজ কয়া পুথোক্লবা মতমনি। মতম অদুনা ৱাখল শোক্ষনা হিংলোইদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## প্রাইভেট বেঙ্কশিংনা মীগী ...

মথং মথং...

অৱা-অনা তরবা, লৈত্র লায়রা লৌমী শিন্মী কয়াগী অৱাবা কন্নবগীদমক মাওইষ্ট শেমখিবনি অমদি মদুগীদমক খুৎতা খুৎলাই পায়বনি। প্রাইভেট বেঙ্ক তৌদুনা ইমুং-মনুং কয়া শিনফম অমা ওইরিবনি হায়বসি লূপ অসিনা খঙঙি অদুবু মীগী ময়ূম মুনবগী তঙ্কক অসিদি য়াম্না হেনমনবা থাক অমনি। মরম অদুনা হৌখিবদা চংনবী অসি য়াম্না তৌবা ঙম্বা অমগুম চংথরম্লবসু হৌজিক মাওইষ্টনা মখা তানা চংথবদা অথিংবা থম্লগনি।

চেরোল ঙসিনা মখা তানা হায়, মীগী ময়ূম মুনবগী মাইয়োক্তা মীয়াম অমদি মাওইষ্ট অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরগনি। য়ুম অমা হায়বসি ইমুং অদুগীদি তইবং অমনি, মসি মুনবা হায়বসি খ্বাইদগী হৌনদবা লিচৎনি। মখাতানা বেঙ্কনা লোন পীবা মতমদা মীগী লৈনরিবা ময়ূম অদুনা লোনগী মহুৎ মারেং ওইনা থম্বা অসিবু খুদক্তগী থিংলে। লোন পীগে হায়রগদি য়ুম শাদবা ইংখোল, লৌফমনচিংবদা নৎত্রগা দুকান, গারী অতৈ অতৈ পোৎলমশিংদা মীৎয়েং থম্বীয়ু। মীগী ময়ূম হায়বসিদদি কৈদৌনুংদা মীকবগী থবক তৌরোইদবনি। কনাগুম্বগী য়ূম্বু পুরুবা শেল্লেপ অদুগী মহুৎ মারেং শিনখিবা য়াওরগদি অথুবা মতমদা অতোপ্পা পোৎলমগা শিন্দোকপীয়ু অমদি কনাগুম্বগী য়ূম মুনবা লাক্লগদি মীয়াম হুপ্না মদু থিংমিন্নসি অমদি লুপ অসিদা খুদক্তা পাও পীবীয়ু হায়রি।

## এপোইন্টমেন্ট ওর্দর পীবীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৭(এস এন এস)ঃ মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২২দা রিজল্ট হায়দোকখিবা ২০১৩ বেটচগী মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল) শিংগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অথুবা মতমদা পীদুনা থবক জোইন তৌহল্লু হায়দুনা রিজল্ট অদুদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ওল মণিপুর সেলেক্টেদ কেন্দিদেট ফোর মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল), ২০১৩ বেটচনা শীন্দুনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদা ফমখিবা ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট, অহোংশঙবম বিনয়না হায়, মণিপুর লৈঙাক্না মতম কুইনা হায়দোক্তনা থম্লমখিবা কুমজা ২০১৩ বেটচগী পুলিস কন্সটেবল (মেল) গী রিজল্ট অসি মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২২দা হায়দোকখ্রবসু ঙসিফাওবা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর পীদনা থম্বা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। লৈঙাক্কী অসিগুম্বা থৌওং অসিনা কুমজা ২০১৩ দগী হৌনা থবক অসিগীদমক চেন-চোংলক্লিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মখোয়গী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর পীদবা তারবদি মখা তাবা দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়খি।

## জেনিমসতা স্পাইনেল ...

*লমায় ১গী মখা*

ঙম্বা হায়বসি চাউথোকচনীংঙাইনি। লোয়ননা জেনিমসতা মপুং ফানা স্পাইন য়ুনিট অমা হাংলবদি অমসুং অথুবা মতমদা মতীক চাবা খূৎলাই পীবিরবদি স্পাইন সর্জরিগী মথৌ তাবা অনাবশিং জেনিমসনা হেন্না মতেং পাঙবা ঙমগনি হায়খি।

দিপার্টমেন্ট ওফ ওর্থোপেদিক্স, জেনিমসকী সেনিয়র রেসিদেন্ট, স্পাইন ডা. উমেশ তখেলময়ুমনা হায়খি, অনাবা অসি উ পাম্বী মথক্তগী তারকপদা স্পাইনেল কোর্দ তেকি-খবনি। মহাক সি সি পুরগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়কন্নখি। তুন্দা জেনিমস হোস্পিটালদা স্পাইন ক্লিনিক লৈবনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল অসিদা রিফর তৌরকখিবনি। মহাক্কী অনাবা অসি লপরেসন শুকতৌমক তৌদ্রবা য়াদ্রবা অনাবা ওইবনা কি- হোল্ড সর্জরি অসি তৌখিবনি। স্পাইনেল কোর্দকী কি- হোল্ড সর্জরি অসি মণিপুরদা অমুক্তা তৌখিদ্রি। ওপরেসন অসি তৌবদা শীজিন্নরিবা খূৎলাইশিং লৈতবনা মপালদগী চেনবনি।

স্পাইনেল কোর্দকী কি- হোল্ড সর্জরি অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা তৌবা মতমদা লুপা লাক্ষ ৫। ৬ রোম চঙই। অদুবু মণিপুরদা তৌবা মতমদা খূৎলাইগী শেনফম অমসুং হিদাক মমল ওইনা লুপা লীশীং ৭০। ৮০ রোমতমক চঙই। লোয়ননা মণিপুরদসু মতীক চাবা খূৎলাইশিং লৈরগদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংনা করিসু হেল্লোই অমসুং মীয়ামদা মপূং ফানা মতেং পাঙবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সুমিতা মীহাৎতা চেন্নবা অমসু ...

*লমায় ১গী মখা*

রোম তাবা মতমদগী লৈখিদ্রবী সুমিতাগী লৈকাইদগী লৈকাই অসিগী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা চৎখি। রেল্লি অদু বামোন লৈকাই রোমদগী লাক্লগা লোক্লাওবুং থোং লাম্থোক্তুনা মেনরোদ রোমদা চৎনবা হোৎনরকপদা পুলিসনা থৎপদগী রেল্লি অদু বামোন লৈকাইগী অকোয়বা ওইনা চৎখি। রেল্লি অদু লোয়রবা মতুং চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পিশিনখি।

মেমোরেন্দম অদুদা, মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং লৈঙাক্না অথুবা মতমদা থীদোক্তুনা পুং ৪৮গী মনুংদা পুথোক্কদবনি। তোঙান তোঙনবা কাংলূপগী মীওইশিং মীহাৎ অসিদা চেন্নরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈবনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লক্তনবা লৈঙাক্না হোৎনবিয়ু। লৈখিদ্রবী অসিগী ইমুং মনুংদা মতীক চাবা কম্পেন্সেসন পীবিয়ু হায়বনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি।

অমরোমদা, সুমিতাগী মীশি অসিদা চেন্নে হায়না মরাল শিবা মীওই অমা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফারবা মতুং ঙসি চীফ জুদিসিয়েল মাজিষ্ট্রেটতা পুথোক্তুনা নুমিৎ ৯নি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে।

ফারবা মীওই অদুদি ক্ষেত্রিবেঙ্গুন ময়ায় লৈকাইদগী এম দি অবদুল ৱাহিদ (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা অমির অলি এলাইজ কালানি।

মহাকপু কোর্টতা পুথোরকপদা কেস অসিগী আই ওইনা এ পি পিগী খুথাংদা কোর্টতা থমখিবা ৱারোলদা পল্লিবদি, এম দি অবদুল ৱাহিদপু ৱাহং পাউহং চখবদা মহাক অমদি মহাক্না লোয়নবা অমনা ক্রাইম অসি চখখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। ক্রাইম অসি চখবা মতমদা শিজিন্নবনি হায়বা মারুটি ভেন নম্বর দব্লিউ বি০৬-১৩০৬ অসিসু ক্ষেত্রিবেঙ্গুন ময়াই লৈকাইদগী ফাগৎপা ঙম্লে হায়বসিনি।

মরম অদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তানা হেন্না কুপ্পা থিজিন্নবা নুমিৎ ৯ রিমান্দ পীবিয়ু হায়না কোর্টতা হায়জবদগী কোর্টনা ৱারোলশিং অদু তারবা মতুং রিমান্দ পীখিবনি।

এম দি অবদুল ৱাহিদ পুলিসনা ফাখিবা অসিগা ইরোইননা ক্ষেত্রিবেঙ্গুন ময়ায় লৈকাইদা ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি মীয়ামগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্তুনা লৈঙাক্না এম দি ৱাহিদকী মথক্তা লৌখৎলকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা সপ্পোর্ট তৌগনি হায়বগা লোয়ননা মহাক করিগুম্বা মীশি অসিদা চেন্নরম্বা তারবদি লৈকাইদগী তাম্থোক্নবা ৱারেপসু লৌরগনি হায়রি।

## তাইরেনপোকপী খুঙ্গং ইম্ফাল ওইজরগসু লম কয়াদা...

*লমায় ১গী মখা*

খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নন্দুনা লাক্লি। নোংজু থাগী মতম য়ৌরক্লগনা কোমশিং অসি ঈশিং থুমজিল্লগা লৈবনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অশোক-অপন কয়া য়াও-খবা লৈরে। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগীএম এল এসু ভোট ময়াদা খুল অসিগীদমক থবক থৌরম কয়া তৌবীগনি হায়রম্লগা হেক কাখিবদগী ঙসিফাওবা খুল অসিদা লাকপীদ্রি। ফয়েং মায়কৈদগী চঙবা য়াবা লম্বী অসিসু শেম্বীদবা কুইরবনা ফিভম য়াম্না শোক্লে,সাইকল থৌদুনা চৎপা ফাওবা য়াশিল্লক্ত্রে। মফম অসি চীং লম্বীগুম শক্তিমান গাড়ীগুম্বা চঙবা নৎত্রদি গাড়ী অতৈনা থৌদুনা চৎপা য়াদবগী ফিভমদা লৈরি হায়না ফোঙদোরকখি।

হন্দক লমশাং কেন্দ্রগী এম এল এনা মাক্লংদগী-সাইরেমখুন য়ৌরমদাই মতেক অমদা কোইলাস খরদি থাবীরকখিবা লৈরবনি। অদুবু খুল অসিগী ওইনদি কৈদৌঙৈ লম্বী অসি শেম্বীরক্কদবনো খঙদে। লোয়না ফুড সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা লুপা ৩ পীরগা ফঙবা চেঙদুসু মীওই অমদা কে জি ৫ / ৫পীগদবা অদুসু কে জি ৪ খক্তা পীরি। মসিগী মতাংদসু মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়না ফোঙদোকখি।

লমদম অদুগী লৌমী নিংথৌজম ইবোহনবী কৌবা মীওই অমনসু পাউ-চেসিদা হায়খি,মতম কয়াগী মমাঙদগী খুল অসিগী মীওই অনম্বনা লৌউ-শিংউদুনা হিংজবা ঙাক্তনি। লৌউ-শিংউবগী ঈশিং-মাইশিং অসি মতম অমদা য়াম্না নুংঙাইরম্মী অদুবু খুল অসিদা লাক্কদবা ঈশিং অসি য়েঙ্গুং লোক্তগী লাক্কদবনি অদুবু ঈশিং তৎখিবা কুইবনা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরকপা চহী অমা ফারক্কদৌরে। থক্নবা ঈশিং পীনবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমসু লৈতবনা পুখ্রিগী ঈশিং থক্লগা হিংলি। য়েম্বুং লোক মরিল অসিসু রেলৱেগী টনেল হুৎপগী বিলামাটি মথি,থাওথিনচিংবা কয়া চেম্থরক্তুনা লৌকোলশিংদা চেনশিনদুনা হৌখিবা চহীদদি ফৌথোকসু হহুহনখি। হন্দক চহীসিদসু লৌফমশিং অসিদা হান্নগুম থাওথিনচিংবা মখল কয়াগী চাং ৱাংবনা লৌ পানবা য়াগদ্রা খঙদে। রেলৱে প্রোজেক্টতগী থাদরকপা থাওথিশিং ট্রিটমেন্ট তৌরগা খুঙ্গং অসি য়ৌদনবা হোৎনগনি হায়রগসু থবক ওইনা ওহ্যোক্তবনা য়েঙ্গুং লোক মরিল অসিসু নোংমা-নোংমগী বিলামাটি মথি অমদি ফত্ত-হৌদিশিংনা ফুনজিল্লকপনা অকনবা নোংজু থা মতম লাকপদদি ঈশিং চেনফম লৈতবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা য়ারি। তাইরেনপোকপী খুঙ্গাশিংগী অৱাবসি ঙসি ফাওবা লৈঙাক অসিনা হন্না য়েংবীদনা লৈবসি লৌমীশিংগী থম্মোয়দা ৱারৌবা-পেন্দবা ফাওই। অদুনা খুঙ্গাশিংগী অৱাবা য়েংবীদুনা লৈঙাক্না অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌরক্লি।